ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ২৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৮৪শুবা মশীং

# করি তৌবা য়ারিবগে থিহন্নীংই

## একাদেমিক সেসন অমা মাঙহনবা পাম্মুই

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ষ্টেটনা চলাইবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অসি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) খক্তমক ওইরি। চুড়াচান্দপুরদা শেমগৎ-শাগৎলক্লিবা মেদিকেল কোলেজগী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে হায়রগসু হৌজিকমক্কী ওইনদি মসিগী সেসন হৌবা নৎত্রি। জেনিমসতা লৈরিবা এম বি বি এস কোর্স তম্নবগী অপূনবা সিট মশীংনা ১০০ খক্তনি। অদুবু হায়রিবা সিট মশীং অসিদগী ওল ইন্দিয়াগী ওইনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাক্কদবা মহৈরোয়শিংগীদমক সিট ১৫ অমসু এয়রমার্ক তৌদুনা থল্লিবনি। অদুনা অপূনবা ইন্সটিট্যুট অসিগী সিট ১০০গী মনুংদগী সিট ১৫ খায়দোকখ্রগা লেমহৌরিবসি সিট ৮৫ খক্তনি। নাকল অমরোমদা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তগী মণিপুরগী মেদিকেল তম্মিংবা মহৈরোয়শিংগীদমক ফংলিবা সিট মশীংনা শুপ্নতগী ৩০ খক্তনি। মসিগী য়ামখিদ্রবা মশীংসিগী মনুংদগী ইকোনোমিকেল্লি ৱিকর সেক্সন (ঈ দব্লিয়ু এস) কী সিট ১১ অমগা খায়দোকখ্রগা লেমহৌরিবসি সিট ১৯ খক্তনি। মরম অসিনা চহী খুদিংগী ওইনা ষ্টেটসিদগী এম বি বি এস কোর্স তম্মিংবা, কোর্স অসিগী থোরক্লিবা এসপিরেন্ট কেন্দিদেট মহৈরোয়শিংগা হায়রিবা কোর্স অসিবু ষ্টেটসিদা তম্নবগী লৈরিবা অপূনবা সিট মশীংগা য়েংনরুবদা য়াম্না খেন্নরিবনি। মণিপুরদা তম্ফম লৈরিবা অপূনবা সিটতগী তম্মিংবা, তমগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী মশীংনা য়াম্না হেল্লি। ওইরিবা ফীভমসিগী মথক্তা হৌজিক অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীশিংগী চাংগা ডাক্তর (মেদিকেল প্রাক্টিসনর) শিংগগী মরক্তা লৈনরিবা রেসিওগী চাংদা য়েংনরুবদসু মণিপুরদনা ডাক্তরশিংগী মশীং য়াম্না নেল্লিবনি।

অদুবু প্রোব্লেম অসি মপূং ফানা সোল্ভ তৌবমক ঙম্লোইদবা ওইরবসু জেনিমসতা লৈরিবা সিট ১০০সিদা ৫০ হেঙ্গৎহন্দুনা অপূনবা সিট ১৫০ শুহন্নবগী থৌরাংসি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি। মেদিকেল কোর্স তম্মিংবা মহৈরোয়শিংগীতা নত্তনা মণিপুর মীয়ামগী অফবনি। হায়রিবা সিট মশীং হেঙ্গৎহনবগী থবকসি হান্না মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (এম সী আই) হায়না খঙনরম্বদগী হৌজিক্না নেসনল মেদিকেল কম্মিসন (এন এম সী) হায়দুনা খঙনরক্লিবা এপেক্স বোদি অসিনসু অয়াবা পীরকখ্রবনি। মসিগীদমক মথৌ তাবা অহেনবা শেনফমশিং ফাওবা পীরকখ্রবনি। জেনিমসকী মায়কৈদগীসু ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টরনা মসিগী দিপার্টমেন্টশিংগী হেদশিংদা ফাওবা সর্ক্যুলর অমা থোক্তুনা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। জেনিমস চলাইরিবা বোদিগী চেয়রমেন ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর ফাওবগী মায়কৈদগী সিট মশীং হেঙ্গৎপদা অয়াবা পীরকখিববু হরাওবা, নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী ৱাফমশিং সোসল মীদিয়াদা মশামক্কী একাউন্টতগী ত্বিট তৌরকপা লৈখ্রে। লৈঙাকসু, মীয়ামসু অমসুং এসপিরেন্টশিংসু খম থেংনা হরাওনরুরে। অদুবু ওগষ্ট ২৭, ২০২১দা জেনিমসকী দীন/প্রিন্সিপালদা এদ্রেস তৌরক্তুনা নেসনল মেদিকেল কাউন্সিলদগী থারকখিবা চেরোল অমদদি জেনিমসকী মায়কৈদগী সিট ৫০ হেঙ্গৎহনবীনবা থারকপা প্রপোজেল অদুদি ফংলে। অদুবু সিট মশীং হেঙ্গৎহল্লকপদা ইন্সটিট্যুট অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ফেকলটিবু ফিজিকেল এসেসমেন্ট তৌহৌগদবদু কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা তৌবা ঙমহৌদ্রে। মরম অদুনা চৎলিবা একাদেমিক সেসন ২০২১-২০২২দগী হেঙ্গৎকদবা অহেনবা সিট ৫০গী ৱাফমসি মথংগী একাদেমিক সেসন ২০২২-২০২৩দা ওইনা ফোরৱার্দ তৌরগনি হায়রকপনি। এন এম সীগী ৱাফমসি মণিপুরগী মরু ওইনা ষ্টেটসিগী এম বি বি এস তম্মিংলিবা মহৈরোয়শিংগী লাইবক থীবনি। অদুবু মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি জেনিমসতা মেদিকেল কোর্স তম্নবগী সিট মশীং হেঙ্গৎহনবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) নম্বর ৪৬ হৌখিবা মমাঙ চহী ২০২০দা ফাইল তৌরকপসু লৈখি। পি আই এল অদুগী কোর্টনা দিসেম্বর ৩০, ২০২০দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা মরী লৈনরিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংনা হায়রিবা সিট মশীংসি হেঙ্গৎহন্নবা খুদক্তা পন্থদনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা দিরেক্সন পীখিবনি। অদুবু জেনিমস অমসুং অতৈ ওথোরিটিনা থবকসি মতম চানা শারিঙৈদা য়ৈহৌদ্রবরা হায়বনি। অদুবু মদু পূম্নমক হৌখ্রসনু। হৌজিক মহৈরোয় ৫০না ফংজগদবা সিট মথংগী একাদেমিক সেসনদা থংথরক্লিবসিদগী কলহৌনবা করি তৌখিবা য়াবগে হায়বরোমদা পূক্নিং চংনা থবক তৌহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬

১) *“তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,/হে উনা! পুন্সি লোম্লমাল্লে,/উফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙগাওনরেদো।/নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,/মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,/শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,/তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।”* শৈরেং অসি মমিং য়াম্না পন্নবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) *“শৈরেংগী খুঙ্গং”* হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

৩) *“বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস’* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিকনি *“পুন্সিগী মীৎকূপ অমখক”* হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং করি লমগী অইবনো?

৫) *“খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু লাইমরু সিদবা ও, তাইবঙ নোংসাপান ওইনা চীংঙু নথৌজানগী উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরাং য়িমজংনবাবু চীংঙু নঙগী সমু হকসাংলেনবু পূঙমদরে, হায়না তৎনা ৱাননা খাংলমএ, অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ অৱান থাও তৌনা কৌএ।”* ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মৈনা চাক্তবা, শীজিন্নবদা নুংঙাইবা অদুবু ফোর্মেলদিহাইদতি য়াওদবা লশিংগী ফি

**সাইন্সকী খোঙচৎ**


**কুঞ্জো নাওরেম**

লশিং হায়বসি টেক্সটাইল ইন্দষ্ট্রিদা য়াম্না শীজিন্নবা, মীনসু পাম্নবা, “কিং ওফ টেক্সটাইল ফাইবর” হায়রগসু খঙনবা ফাইবর অমনি। ৫৫০০ CE (BC) গী মতমদগী মসিবু মীনা শীজিন্নবা হৌরকখি হায়না থাজনৈ। লশিংনা শাবা ফি-রোলশিং মোহেঞ্জো-দারো অমসুং ব্রোঞ্জ এজ ইন্দস ভেল্লি সিভিলাইজেসন্দা থেংনৈ। লশিংনা হুমাং ফজনা চুপশিনবা ঙম্বনা কালেন থাগী মতমদা শীজিন্নবদা য়াম্না খুদোং চাই। অসিগুম্বা লশিং অসি থিজিন-হুমজিনবগী লম্দা কন্না চঙশিল্লিবশিংনা অনৌবা শক্লোন অমদা পুথোরক্লি। “স্বিস ফেদরেল লেবোরেটরিজ ফোর মেটরিএলস সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি” (**Empa**, জর্মন : *Eidgenössische Materialprüfungs- und Forschungsanstalt*) গী থিজিন লূপ অমনা মৈনা চাকপা ঙমদবা অমসুং লশিংগী হান্না য়াওজরক্লবা মগুণসু মাঙহন্দবা, অনৌবা লশিং মখল অমা পুথোকপা ঙম্লে হায়না “কেমিকেল এঞ্জিনিয়রিং জর্নেল” দা ফোঙদোরক্লি।

ফাইয়র ফাইটরশিংনা শীজিন্নবা, হান্নগা পুথোকখ্রবা মৈনা চাকপা ঙমদবা লশিংগী ফিদগী ফোর্মেলদিহাইদ থাদোরকই, অদুনা শেৎপা-ইনবদা নুংঙাইতবা পোকহল্লি। **Empa** গী সাইন্টিষ্টশিংনা অসিগুম্বা খুদোংচাদবসিবু ফাইবরদুগী মনুংদা ফিজিকেল অমসুং কেমিকেলগী ওইনা মনীং তম্বা নেটৱর্ক অমা শেমগৎলগা মাঙহল্লম্মী। অসুম্না তৌবসিদা লশিংগী শাগোন্নরক্লবা মগুণশিংদুদি মাঙখিরমদে। ফাইয়র ফাইটরশিং অমসুং অতোপ্পা ইমর্জেন্সি সর্ভিস পর্সনেলশিংগী ওইনদি প্রোটেক্টিভ ক্লোথিং হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। অসিগুম্বা থবকশিংগীদমক লশিং অসি অহেনবা মগুণ চেনবা ইন্নর টেক্সটাইল লেয়র অমা ওইনা মপূং ওইনা শীজিন্নে। খুদম ওইনা, মসি ফাইয়রপ্রুফ নৎত্রগা বাইওলোজিকেল কন্টামিনেন্টশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা তাই। মসিগীসু মথক্তা মসি হায়দ্রোফোবিক (ঈশিংগা তিন্নবা য়াদবা) ওইদবা তাই মরমদি হায়দ্রোফোবিক ওইরবদি, হুমাং চুপশিন্দবনা শেৎপদা শাগৎলি অমসুং নুংঙাইতবা পোকই। অসিগুম্বা মগুণশিংসি চুনবা কেমিকেলশিং শীজিন্নরগা, শেমদোক-শাদোক্লবা তুংদা শেৎ-ইনবদা নুংঙাইবা লশিং ওইহল্লি।

শুদোক-চামথোকপা কয়া তৌরগসু মপুন্সি শাংনা চৎপা ফ্লেম রিটারদেন্ট ওইরবা লশিং অসি ফ্লেম রিটারদেন্টশিংদুগা ফাইবরদুগা কেমিকেলগী ওইনা তিন্নহল্লগা শেম্বনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ফোরমেলদিহাইদ শীজিন্নবসি নত্তবা অতোপ্পা পান্বৈ অমত্তা লৈরকখিদবনি। ফোর্মেলদিহাইদ হাপ্পসিনা শীজিন্নবদা নুংঙাইতবদা নত্তনা মসি কারসিনোজেন (কেন্সর পোকহনবা ঙম্বা কেমিকেল) অমসু ওই। হৌখিবা দিকেদ কয়াসি খুদোংচাদবা অসি থেংনদুনা লাকখিবনি। অদুনা ফোর্মেলদিহাইদ শীজিন্নবা ফ্লেম রিটারদেন্ট কোতনসি মপুন্সি শাংলবসু মখোয়গী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা ফাইবরশিংদা লশিংগী ফাইবরদুগী - OH গ্রুপ অসি কেমিকেলগী ওইনা থিংদুনা থমখি, মসিনা লশিংদুনা ঈশিং চূপশিনবা ঙম্বগী চাং হন্থহনখি, অদুনা শেৎপদা নুংঙাইতবা ওইহল্লি।

**Empa** গী ফাইবরস লেব পোলিমর এক্সপর্ট অমা ওইনা লৈরিবা Sabyasachi Gaan অসি কোতন ফাইবরগী মরমদা য়াম্না খঙলবা মীশক অমনি অদুগা মহাক্না ফোস্ফরস কেমিষ্ট্রিদা যূম্ফম ওইবা ফ্লেম রিটারদেন্ট শেমগৎনবগীদমক চহী কয়াসি থবক তৌদুনা লাকখি। মসিগী মহয় ওইনা মহাক্না ফজরবা অমসুং অরাইবা মওংদা লশিংগী মনুংদা মনীং




মৈশা পীশিন্দ্রিঙৈগী লশিংগী ষ্ট্রকচর (a), মৈশা পীশিল্লবা মতুংদা ফিভম কাইদনা লৈরল্লিবা লশিংগী সেম্পল অনীগী ষ্ট্রকচর (b অমসুং c) (SEM মমিশিং)



Sabyasachi Gaanনা প্রেসর কুকর শীজিন্নরগা কোতন ফেব্রিক্কী মৈনা চাকপা ঙমদবা সেম্পলবু স্তিমিং তৌবা

তম্লবা নেটৱর্ক অমা শেমগৎলগা ফোস্ফরসপু হাপচিনবা ঙম্লকখিবনি।

Gaan অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিং Rashid Nazir, Dambarudhar Parida অমসুং Joel Borgstädt না ত্রাই-ফঙ্কসনল ফোস্ফরস কম্পাউন্দ (ত্রাইভিনাইলফোস্ফিন ওক্সাইদ) শীজিন্নখি। কম্পাউন্দ অসিনা অখন্ননা নৌনা হাপচিল্লকপা মোলিক্যুলশিং (পিপেরাজিন্দা নাইট্রোজেন কম্পাউন্দশিং) খক্তগা রিএক্সন থোক্তুনা লশিংগী মনুংদা নেটৱর্ক অমা শেমগৎচবা ঙম্মী। মসিনা লশিংবু মতম চুপ্পগী ওইনা ফাইয়র প্রুফ ওইহল্লি অদুবু -OH গ্রুপ অদুবুদি থিংদুনা থমদে। মসিগীসু মথক্তা, ফোস্ফিন ওক্সাইদকী নেটৱর্ক অসিনা ঈশিংগা তিন্নবসু পাম্মী। অসিগুম্বা ফ্লেম রিটারদেন্ট অসিদা কারসিনোজেনিক ফোর্মেলদিহাইদ য়াওদে। অসুম্না শেল্লক্লিবা, ফোস্ফিন ওক্সাইদ নেটৱর্ক অসি য়াঙ্খ্রেরক শুদোক্লবা মতুংদা ফ্লেম রিটারদেন্ট নেটৱর্ককী ৯৫%দি লশিংদা অদুম য়াওদুনা লৈ, হায়বদি লশিংগী ষ্ট্রকচরদা অকাইবা লৈতে হায়রি।

ফ্লেম রিটারদেন্ট কোতন অসিদা অহেনবা প্রোটেক্টিভকী মগুনশিং য়াওনবগীদমক, থিজিন লূপ অসিনা সিলভর নানোপার্টিকলশিংবু ফেব্রিক অদুদা হাপচিল্লম্মী। মসি ফোস্ফিন ওক্সাইদ নেটৱর্ক শেম্বগা মতম অমত্তদা পাঙথোকপা য়াই। অদুনা অহেনবা প্রোসেসিং অমগী মথৌ তাদবনা শেল চঙবগী চাংসি হন্থহল্লি। সিলভর নানোপার্টিকলশিংনা ফাইবর অদুবু এন্টিমাইক্রোবিএলগী মগুণশিং চেলহল্লি অদুগা য়াঙ্খ্রেরক শুদোক-চামথোকপসু য়াহল্লি হায়রি।

Gaan না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, লশিংগী ফাইবরদা ফোস্ফিন ওক্সাইদপু হাপচিন্নবগীদমক্তা অচম্বা থৌরাং অমা পায়খৎখি। মখোয়গী লেবতা মখোয়না লশিংবু ফোস্ফরস অমসুং নাইট্রোজেন কম্পাউন্দশিংবু ঈশিংদা তুমহল্লবা মতুংদা য়ূম খুদিংমক্তা ফংলিবা প্রেসর কুকরদা ষ্টিমিং তৌরগা ফোস্ফরস অমসুং নাইট্রোজেন মোলিক্যুলশিংগী ক্রোসলিঙ্কিং শেমহল্লি। মসিগী থবক অসি অচম্বা থৌওং অমনি। মরমদি টেক্সটাইল ইন্দষ্ট্রিদা ফি মচু শংবা, ময়েক য়েকপা (প্রিন্টিং) অমসুং ফিনিশিং তৌরবা মতুংদা ষ্টিমিং তৌবা হায়বসি নোর্মেল প্রোসেস অমা ওইদুনা লাক্লি। মরম অসিনা থৌওং পাঙথোকপদা অহেনবা ইনভেষ্টমেন্ট অমা ওইদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা মৈনা চাকপা ঙমদবা লশিং অসিনা ফাইয়র ফাইটরশিংদা নত্তনা ইমর্জেন্সি সর্ভিসকী লম্দা থবক তৌরিবশিংদসু কান্নবা পীরগনি। মসিনা কনাগুম্বা অমনা মশাগী য়ূম মৈ চাক্লকপদা কঞ্জনবা পান্বৈ অমসু ওইরগনি।

অতোপ্পা অমরোমদনা, থিজিন লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা ফোস্ফরস কেমিষ্ট্রি অসি অতোপ্পা মেটরিএলশিং, খুদম ওইনা pH হোংবা মতমদা হীদাকশিং থাদোরকপা ঙম্বা হায়দ্রোজেনশিং শাবদসু শীজিন্নবা য়াগনি। অসিগুম্বা জেলশিংসি তপ্না ফজিল্লকপা অশোকপা মফমশিং লায়েংবদা শীজিন্নবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। অসিগুম্বা অশোকপা মফমশিংদা উনশাগী pH হেনগৎলকই অমসুং অনৌবা ফোস্ফরসতা যূম্ফম ওইরিবা জেলসিনা হীদাক নৎত্রগা দাই পুথোকহন্দুনা লায়েংলিবা ডাক্তর অমসুং নর্সশিংবু মীশিং-নাশিংহনবদা মতেং পাংহনবা য়াই। ●

# বর্লিন ওলিম্পিক অমসুং হিটলর (১৯৩৬) # ৬

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

লমজেল হেক থাবগা কার্লোস-জুবালানা কিলোমিটর ২১ ফাওবা মাঙজিল থাদুনা চেল্লম্মী। মহাক্কী মনাক্তা য়াম্না নক্না কিলোমিটর ২০ ফাওবা প্রোটুগলগী মেন্যুএল-দিয়াজ, অমেরিকাগী ইল্লিসন-ব্রাউন, বৃটিশকী অর্নেষ্টি-হারপর অমসুং কোরিয়া/জপানগী চুঙ-সোহননা মথং মনাও নাইনা ইন্নরক্লম্মী। কিলোমিটর ২১দা মেন্যুএল-দিয়াজ মনীংদা শোত্থহৌরম্মী। ইল্লিসন-ব্রাউন চেনবা ঙমদ্রদুনা তোকহৌরম্মী। জুবালাগী মতুংদা কী-চুঙ-সোহন অমসুং হারপরনা ইন্নদুনা চেল্লম্মী। কিলোমিটর ৩২দা মকোক্তা চেল্লিবা জুবালা চেনবা ঙম্লক্তবদগী ফমদুনা পোত্থারম্মী অমসুং অমুক হৌগৎতুনা চেনবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈরমদে। মহাক্কী মহুত্তা কী-চুঙ-সোহননা মকোক থাদুনা চেল্লম্মী। হারপরবু মহাক্না কিলোমিটর ৩৭তগীদি ফনা লাপ্না হেল্লম্মী। মহাকপু পম্থুংফম য়ৌবা ফাওবা হারপরনা তান্নবা ফংখিদে।

কুমজা ১৯৮৪দা লোস-এঞ্জেলিস ওলিম্পিক পাঙথোক্লমদাইদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অউন-জোন সামারানচনা কী-চুঙ-সোহননা কুমজা ১৯৩৬তা জপানগী মমিংদা মরাথন্দা মায় পাকখিবা অদু খা কোরিয়াগী ওইনা লৈবাক অসিগী মমিংদা ফংবা সনাগী মেদলনি হায়না মহাকপু কৌরগা নীংশিংবা য়াবা পোৎশক অমা খুদোল পীদুনা মীয়ামদা ওফিসল ওইনা খঙহনখি। বর্লিন্দগী চহী ৫২ লৈরগা কুমজা ১৯৮৮গী খা কোরিয়াগী কোনুং সিওলদা পাঙথোকখিবা ২৪শুবা ওলিম্পিক গেমসদা কী-চুঙ-সোহনবু মরৈবাক মচাশিংনা ওলিম্পিক্কী মৈরা পুদুনা ওলিম্পিক্কী অহৌবা নুমিত্তা ষ্টেদিয়ম মনুংদা চেলহন্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। চহী ৭৩শুরবা কী-চুঙ-সোহননা মৈরা পুদুনা ত্রেক্কী অকোয়বদা চেনবদা হরাওদুনা চোংলম্মী। মরমদি মহাক হন্দক্তি থাঙ্গৈশেংনা ওলিম্পিক্কী ত্রেক্তা মমা লৈবাক্কী মমিংদা চেঞ্জবা ফংজরে। লৈবাক অমনা মসিগী অফাওবা শান্নরোয় অমদা পীবা ঙম্বা খ্বাইদগী ৱাংবা ইকায়খুম্নবদি ওলিম্পিক্কী অহৌবা নুমিত্তা শান্নফমদা মৈরা পুদুনা চেলহনবা অদুনি হায়না লৌনৈ। খুদোংচাবা অসি অফাওবা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন খুদিংমক ফংদে, মরাইবক ফবা খরদংনি।

কোরিয়াগী পাউচে ‘দোং’ হায়বা অমনা কুমজা ১৯৩১দগী চহীগী ওইনা মরাথন অমা পাঙথোক্লম্মী। পাউচে অসিদা কী-চুঙ-সোহনগী ফোটো অমা মহাক্কী মোজাফুরিৎকী মথক্তা জপানগী খুদম নুমিৎ থোকপা য়েকপা অদু মুত্থৎলগা হাপ্লম্মী। মদুগীদমক্তা চহী অমা পাউচে অদু নম্বা থিংলম্মী।

হায় জম্পতা অমেরিকাগী কুচু মুবা কোরনেলিউস-জোনসন অমসুং দেভিদ অলব্রিটন অকনবা লম্বা তৌনরম্মী। মখোয় অনীমক মিটর ২.০৭দা চপ মান্ননা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা নুপানি। নুমিৎ অদুদদি জোনসননা মিটর ২.০৩ চোংদুনা সনাগী মেদল ফংখি। অনীশুবা, অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা তাখিবা এঠলিট অহুম্মক মিটর ২.০৩ চপ মান্ননা চোংলম্মী। মসি ‘জম্প-ওফ’ কী মতুংদা থোকখিবনি। হায় জম্পতা ‘জম্প-ওফ’ না মথং-মনাও খনবা অসি ওলিম্পিক্তা হন্দক্কী অসিনা অরোইবনি। দেভিদ-অলব্রিতননা লুপাগী অমদি মরৈবাক মচা দেলোস-থরবরনা শেঞ্জেংগী মেদল লৌখি। হিটলরনা ভাবক ওইনা য়েংদুনা লৈরম্বদগী অমেরিকা মচা অহুমদা মেদল য়েম্থোক্ত্রিঙৈদা ফম্ফমদগী হৌগৎতুনা চৎখিরম্মী। মরমদি অনী অমদি কুচু মুবা ওইরম্মী।

পোল-ভোল্টতসু হায় জম্পদা তৌখিবগুম্না মিটর ৪.১৫দা এঠলিট ১১না চপ মান্ননা চোংদুনা মখোয় খুদিংমক তরুকশুবা পোজিসন ফংখি। ওলিম্পিক্কী থৌদোক অমদা এঠলিট খ্বাইদগী য়াম্না পোজিসন অমত্তদা ফংমিন্নবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি, অমেরিকাগী মিদোজনা সনাগী মেদল ফংলম্মী। লুপাগী অমদি শেঞ্জেংগী মেদলগীদমক জপানগী সুহি-নিশিদা অমসুং সুইও-ওই মিটর ৪.২৫ চপ মান্ননা চোংলবা মতুংদা মথংগী অৱাংবা হাপকৎপা অদুদা অহুল্লক চোংবদা ঙমদ্রদুনা ‘জম্প-ওফ’ তৌবা তারম্মী। মখোয়না ওফিসলশিংদা হায়জবদগী ‘জম্প-ওফ’ অদু পাঙথোক্তুনা অরূপ্পী-অরোংবী তৌদুনা লাইবক য়েংবদগী নিশিদানা লুপাগী অমদি সুইও-ওইনা শেঞ্জেংগী ফংলম্মী। জপান্দা হনখ্রবা মতুংদা মখোয় অনীমক অতৈ অতৈ এঠশিলিটশিংনা তৌনদ্রবা য়াম্না নুংশিনবগী থৌদোক অমা পাঙথোক্লম্মী মদুদি মখোয় অনীনা মেদলশিং অদু ময়ায়দা খাইদৎলগা লুপাগী তঙ্খাই অমগা শেঞ্জেংগী তঙ্খাই অমগা শৌজিন্নহল্লগা য়েন্নরম্মী। জপানগী নাওতো-তাজিমানা ত্রিপল-জম্পদা মিটর ১৬ চোংবা মালেমগী অহানবা নুপানি হায়বা বর্লিন ওলিম্পিক অসিদা উৎলম্মী। মহাক্না মালেমগী রেকোর্দ থুগায়দুনা সনাগী মেদল ফংবদা নত্তনা লোং জম্পতা জে সী-ওৱেন্স অমসুং লোঙ-লটজগা লম্বা তৌনদুনা অহুমশুবা তাখি। ত্রিপল জম্পদা লোঙ-লটজ তরাশুবা তাখি।

নূঙ হুনবা, তা লংবা অমসুং হেম্মর লংবদা জর্মনশিংনা মকোক ওইরম্মী। জর্মনিগী হান্স-ৱোইলকেনা নূঙ হুনবদা মকোক ওইদুনা জর্ম্মনিগী পুৱারীদা ত্রেক এন্দ ফিল্ডদা সনাগী মেদল ফংবা অহানবা নুপা ওইরম্মী। অহুমশুবা তাখিবা গরহার্দ-ষ্টোক নুমিৎ মরিনিগী মতুংদা তা লৈবদা মালেমগী অমসুং ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ পায়রিবা ফিনলেন্দগী মাতি-জারভিনেনবু মঙাশুবদা মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল লৌখি। মরিশুবা রাউন্দ ফাওবা ষ্টোক মঙাশুবদা লৈরম্মী। মহাক্কী মঙাশুবা রাউন্দ লাকপদা হিটলর ষ্টেদিয়মদা থুংলম্মী। হিটলরগী মমাঙদা মহাক্কী তৌবা ঙম্বা উৎনীংবদা তা অদু খংচৎ চৎখিদুনা মরাইবক ফখি। মরৈবাক মচা কার্ল-হেন-হেম্মরদা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ থুগায়খি। অমেরিকাগী কেনেথ-কারপেন্টরসু দিস্কস লংবদা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল লৌখি।

অমেরিকাগী গ্লেন-মোরিশনা দেকাথলোন্দা পোইন্ট ৭৯০০ ফংদুনা অনৌবা মালেমগী রেকোর্দ অমগা লোয়ননা সনাগী মেদল লৌখি। অমেচর এঠলেটিক য়ুনিয়ননা অমেচর এঠলিটশিংদা থোয়দোক হেন্দোকপা মগুণগীদমক্তা পীবা মনা ‘সুল্লিভান এৱার্দ” ফংখি অমদি হোল্লিৱুদ ফিল্মদা টর্জান শাদুনা মমিং য়াম্না চৎখি। মহাক্কী টিমগী রোবার্ট-ক্লার্ক অমসুং জেক-পার্করনা মথংশিৎনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা ফংখি।

অমেরিকাগী হেলেন-ষ্টেফন্না মিটর ১০০গী নুপীগী ফাইনেলদা পোলেন্দগী ষ্টেনিসলাৱা-ৱালাজিৱিকবু মায়থীবা পীদুনা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ অমা সেকেন্দ ১১.৫দা থমখি। অশম্বদা ‘ষ্টেল্লর ৱালস’ হায়না খঙনবা ষ্টেনিসলাৱা ৱালাজিৱিক অমেরিকাগী সিটিজনশিপ তান্নরিবা পোলেন্দ মচানি। মহাক হৌখিবা কুমজা ১৯৩২গী ওলিম্পিক্কী মিটর ১০০গী চেম্পিয়ননি। মহাক অমেরিকাদা লৈবা মরম্না হেলেন-ষ্টেফেন্না মহাকপু কুমজা ১৯৩৫দা অমেচর এঠলেটিক য়ুনিয়নগী চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর ৫০গী লমজেলদা মায়থীবা পীদুনা য়াম্না শাউহনখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা হেলেননা মিটর ২০০, নূঙ হুনবা অমসুং লোং জম্পতসু মকোক ওইরম্মী। মসিগী মনুংদা মিটর ২০০ অমসুং লোং জম্পতসু মকোক ওইরম্মী। মসিগী মনুংদা মিটর ২০০ অমসুং লোং জম্পতা মালোমগী রেকোর্দ থুগাইরম্মী অমসুং মিটর ৫০দা মালেমগী রেকোর্দকা মান্ননা চেল্লম্মী। হেলেন-ষ্টেফেন অনীশুবা লাঞ্জাওদা অমেরিকাগী মেরিন (সিফাই) ওইদুনা ফেসিষ্টকী মায়োক্তা লান শোক্লরম্মী। মতুংদা মহাক সেন্ট-লুইতা দিফেন্স মেপ্পিং এজেন্সী এরোস্পেস সেন্টরদা থক তৌরম্মী। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।